ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওক্টোবর ০৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৯৪শুবা মশীং

# ইলেক্সন মীহাৎপুং নত্তে

## থবক লৌখৎলু, মীশি-মীনা থোকহল্লক্কনু

পাঙথোক্লগদবা মীখলসি মীহাৎপুং নত্তে। মমল য়াম্লবা লন-থুম অমসুং পুন্সি মাঙহনগদবা কুরুক্ষেত্রগী লানফমসু নত্তে। হৌজিক লৈরিবা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লি অসিগী মতম লোইশিল্লকপদগী শরক শিহনবা য়াদবনিনা মসিগী মহুৎ শিন্নবগীদমক পাঙথোক্তবা য়াদবদগী পাঙথোক্কদৌরিবনি। মসিগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলক্লি। ঈ সী আইগী পাউতাক্তগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগী মায়কৈদগীসু মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎলক্লি। নাকল অমরোমদনা মীখলসিদা মীরেপ ওইগনি হায়বা অনৌবা মীওই কয়া'মা হৌজিক এম এল এ অমসুং এক্স-এম এল এ ওইরিবশিংগী মথক্তা চোংথোরক্লি। হৌজিকমক মীওইশিংসি অকক্লবা অমসুং অরেপ্পা পোলিটিকেল পার্টি অমদা এফিলিয়েসন তৌনদবা য়াওজরগসু মাগী-মাগী খূৎপু শেম্নদুনা মীখলগী অপূনবা কেম্পেয়ন চথনরক্লি। মসিগী হৌনবা মীরেপ ওইগদবা মীওই অমগা অমগগী মরক্তা বোরা হুরানমিন্নখিবা থৌদোক্কী ৱাফম ফাওবা কাংথোক্লরকই হায়বদৌনা নোং তারগা কৈনো অকংবা পোপথোকই হায়বগুন্নদনা কোৎথোক্লদুনা হুন্নবা-চৈনবগী থবকশিং কনখৎনরক্লি। চিন কাংজৈ চথনরক্লি। অদুগা মখোয়গী অচানবা মনাই/ৱার্করনি হায়জবশিংগী মরক্তুনা থোকহন্নীংদবা, থোরকহনফমসু থোক্তবা থৌদোক কয়া মনম-মনম থোকচিল্লক্লি। অসিগুম্বা থৌদোকসি ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিটুয়্যএন্সিদা থোকখ্রে। অমুক্তা নত্তে, হঞ্জিন-হঞ্জিন থোকখ্রে। এসেমব্লি সেগমেন্টসিদা মীরেপ ওইগনি হায়বা মীওই অমা ফাওবা ফাদুনা নেসনল সিক্যুরিটি এক্ট (এন এস এ) দা দিটেন তৌরুবা লৈখ্রে। অদুবু অসিগুম্বা থৌদোকসি অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিটুয়্যএন্সি খক্তা নত্তনা হৈরোক্তসু থোকচিল্লকখ্রে। ৱাংজিং তেন্থা এ সীদসু থোরক্লে। ফীভমসিদি লেমহৌরিবা অতৈ এসেমব্লি সেগমেন্টশিংদসু থোক্লককপা য়ারি। থোক্লোই হায়বা ঙমদ্রি।

মরমশিং অসিনা থোরক্লিবা থৌদোকশিংসি ইলেক্সনগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং ওইবনিনা ঈ সী আই অমসুং সী ঈ ও, মণিপুরনসু ঐখোয়দি মীখলসি তেক্তা কায়দনা, অয়েৎ-অপন য়াওহন্দনা নীংথিজনা পাঙথোক্লনবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলি হায়নদা য়েংদুনা লৈথোকপা চুম্লোই। থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিদা মীওইবগী পুন্সি মাঙহনবা য়াবা থাঙ-তেন, নোংমৈ, চেক্তুম-নূঙদুম, ৱাকোক-উকোক শীজিন্নরকপা য়াওরে। হৌজিক ফাওবগী থৌদোকশিংদা মীশি-মীনা য়াওদ্রিবা অসিবুদি লাইবক ফবনি হায়বা য়ারি। অদুবু শিবা-নাবা য়াওরক্লগদি লাইবক থীবা থৌদোকনি হায়দুনা তকশি শোল্লগা লৈথোকপা য়াররক্লোই। অদুনা লো এন্দ ওর্দর মেন্টিনেন্সকী থবক থৌরমশিংসি ষ্টেটকী সবজেক্ট ওইরবসু ঈ সী আই অমসুং সী ঈ ও, মণিপুরগী মায়কৈদগীসু মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎনবা পীবা য়াবা পাউতাক, দিরেক্সন পীরকপা চুমগনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদা পীরক্লগা মখোয়না মরী লৈনরিবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসশিংদা হায়রগা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎহনগদবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু ঈ সী আই অমসুং সী ঈ ও, মণিপুরনা তকথরকপদং ঙাইদুনা লৈথোকপা চুম্লোই। থৌদোকশিং অসি মীওইবগী পুন্সি অমসুং মখোয়গী লন-থুমশিংগা মরী লৈনবা ঙাক্তনি। অদুনা মীখলগী ঈরাংসি থোক্লিবা এ সীশিংসিদা হন্না থোরক্তনবা অদুগা অতোপ্পা এসেমব্লি সেগমেন্টশিংদসু লান্মৈদৌনা শন্দোরক্তনবা থবকশিং পন্থদনা লৌখৎলু। মতম কুইনদগী লৈরক্লবা হুরানবা মতুং মৈরিংবগী থৌদৌদু মীখলগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং অসিদদি থোকহন্নীংদে। অমরোমদনা মীরেপ ওইগদৌরিবা মীওইশিং অমসুং মখোয়গী ৱার্কর/ভোটরশিংনসু পাঙথোক্লগদবা মীখলসি নপাম হরাওফম নত্তে। মীখলসিগী মরুমদা মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা লম্মন শীংহৌনবগী পান্থৈ নত্তে হায়বসি ময়েক শেংনা খঙজিনগদবনি। মীখলদা শেল অমসুং পাঙ্গল শীজিন্নরগা মীরেপ ওইবা অমসুং মীখল থেংনবা য়াদে হায়বসিদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিসু য়াওরিবনি। মসিগীদমক ঈ সী আই, সী ঈ ও, মণিপুর অমসুং লো-এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনসু মশানা মশাবু সোসল ৱার্করনি হায়দুনা চোঙথোরক্লিবা কেন্দিদেট ওইগনি হায়রিবশিং অসি ৱাখল তাহল্লু। হায়ন-তানবা য়াদবা, হায়বা ঙাঙবা লৌদবা অমসুং লমহেন-তুহেনবা য়াওরক্লগনা মনম তৎনবা য়ৈহৌ। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলসি ঈরাং তৌফম নত্তে, মীহাৎপুং ওন্থোকপা য়াদে হায়বা চপ চানা খঙহলহৌ।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৭

১) ***“বিদায়! কংলৈপাক বিদায়!”*** হায়বসি মপান মণিপুরী অমনা ইবা লাইরিকনি। অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) ***“গীতা-লৌশিংগী পুক্কে”*** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেলদু কনানা ইবা করি লাইরিকনো? মণিপুরীদা কনানা ইথোকপনো?

৩) ***“নীংতম্বগী মমল”*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***“অরোইবা পাউদম”*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ***“উ-থম্বালগী শৈথারোল:- মরিং খুম্বীলোক মাইবা থরাইলোক্তা শাৎপা লৈ, শরী নামুং শোননা ৱাশক্লবনা লৈ, পামেন উজাও শকপা লৈ, লৈরাং কোলোয় মমিংদি উ-থম্বাল কৌইদো।”*** করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# পোক হৌবগী মরম

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



ঐনা পোক শঙলিবগী মরম খরা লৈ। ঐগী নুপীনদি পোক শংলুনু ঙৌশ্রোক ঙৌনা অদুম লৈবদুসু ফজবা অমা লৈ হায়। মদু অদুম য়ানীংই। মদু মী অতৈনা তৌবদদি ফজে। অদুবু ঐ ইশামক্তি মদু তৌনীংদ্রি। ইমান্নবা কয়া মপোক্লা পুমঙৌ ঙৌবা হায়বা অদু উদ্রি। য়াহৌ ঙনবা ঐখোয় খরতনা পোক্ল পুমঙৌ ঙৌজবতনি। ঙন্তানা মপোক হৌবা মীগী মরাইবক ফবদি মসিগী নুপা (অহল) অসি ঐখোয়না খঙলকপদগী অদুম অসুম্মাইনা লৈরম্মে, শুকহন হেক হনুশিন্দে। শম অহল ওইজবতনি, মশাদি মতম শাংনা নহা ওইবা তাবনি অদুগা অহল ওইরবা মতুংদা অমুক মপোক হৌবগী মতম হাপচিল্লগা শুকহন হনুশিন্দবা মানবগী ৱানি।

পোক হৌজরোইদৌবনি হৌরে। সাইকিয়াত্রিষ্টশিংনা হায়রি, পূক্লিং ৱাখলদা য়াম্না ৱাবা ষ্ট্রেস লৈবা তারবদি মী অদু ঙন্না মতম, মতাং চাদনা পোক হৌবা হায়বদু ওইগনি। মসি ঐগী মতাংদদি হেন্নবু চুম্না থোক্লরে। ৱাখল নুংঙাইতবগী চাং অসি ফন য়াম্না লৈরে ঐঙোন্দদি। হৌবু হৌমন্দে, য়াম্না থেঙনবু হৌই হায়বা য়াই। ঙসিদগী চহী কুনমঙাগী মমাঙদা ঐহাক পোক হৌবা নহান্না হৌবদা মতিক চপ চাবনি।

ঙাইহাক লৈতনা থাউগী মমল হেনগৎলে। পেট্রোল লিটরদা লুপা ১০৫ য়ৌরবা মতম অসিদা কনানবু নুংঙাইদৌরিনো? কনানবু ৱাখল নুংঙাইদৌরিনো? মশানা তানা ৱাখল নুংঙাইত্রবনি। পোক হৌরকপা হায়বসি মশানা অদুম হেক্তা তাজরবা ৱাফমনি। থাউদা নত্তে, ভারা তাঙখৎলে, পোৎ চৈ অতৈ অতৈগী মমল লোইনা তাঙখৎলে।

চাকথোঙ গ্যাসকী মমল লুপা লিশীং অমা হেল্লে মসিদবু কনানা ৱাখল নুংঙাইদৌরিনো? ৱাখল অসুক নুংঙাইত্রগবু মতৌ করম্না পোক হৌরোইদৌরিবনো? লুপা চামরি/চামঙাদা পীরম্বা চাকথোঙ গ্যাসনা লুপা লিশীং অমা হেন্না পীরে। শেন্থোক্লগা জোম জোম থোকপগা নৎত্রে মতৌ করম্না ঐনা ৱাখল নুংঙাইদুনা শম মুসুক মুনা পোক মনা অমা হৌদনা লৈদৌরিনো? ডাক্তরশিংনা হায়বা চুম্মী, ৱাখল ৱারবা নুংঙাইত্রবা পোক হৌই হায়বদো ঐ ইশাদদি চপ চানা অদুম পাল্লে।

লম্বী হায়রে কোয়লাস অমত্তা য়াওদ্রে, ফক্কৎলকপা নূঙ খরনা কোয়তাও তাওদুনা গাড়ী অমত্তা থৈনবা নুংঙাইত্রে। নুমিৎ চূপ্পগী মদুতা উরুবদা থৱায় অদুম ৱারে। খোয়দৌ অদুম শাউগৎলে, মসিদবু ঐনা কমাইনা পোক হৌরোইদৌরিবনো? চেঙ চাক্কী, এঞ্জাং-নাপিগী মমল অতিয়াগা ৱাংবা তান্নরি, ঙা, য়েন কেজি অমদা লুপা চহুমদগী তাদ্রে।

হেনগেদনি। কৈসু লৈতবা তোর্বোৎ অমদা লুপা ২০০ পীরে। মসিদা মীয়াম ঐখোয় হরাউ নুংঙাইনা তেন্সন কাদনা কমাইনা লৈগনি। তেন্সননা পুন্সিবু তেনশিলহল্লি, ৱাখল নুংঙাইহন্দে। করম্মাইনা ঐনা পোক হৌরোইদৌরি? পোক্তি তেন্সনগী মনাওনুপানি হায়রি। লাইরিক তম্বগী ফী হায়দনা কান্নদ্রে। হীদাক লাংথক্কী মমলসু হায়দুনা কান্নদ্রে, তাঙখৎলিবা। মোবাইল রিচার্জ তৌবগী মমল থা খুদিংগী হেনগৎলি। সিদবু ঐনা কমাইনা ৱাখল নুংঙাইদুনা শম মুসুক মুরগা পাখং মচা মান্দুনা সুম লৈগদৌরিবনো?

হৌজিক্তি মনুং মতম চাদনা পোক্লা পুমঙৌ ঙৌরে। লাই মাবু লৈরবদি তথী-তথী চৈথোক্লিংই। মানা ঐঙোন্দা করিগী অসুক য়েংশিল্লিনো? হৌজিক্তি করি শারে? ঐঙোন্দা তামো কৌজগদবা ময়াম অমনা ঐঙোন্দা কাকা-কাকা কৌরে, পাবুং হায়নসু কৌবীরে, পাবুংদগী ঐবু পুপু হায়নসু কৌবফাও য়াওখৎলক্লে। পুপুদি ঐ সুকয়া হেক য়ানীংদ্রে। ঐ ৱারৌরে-ৱারৌফম খঙদনা।

মসিদনি ঐনা পোক শঙদবা য়াদে হায়না ৱারেপ লৌরক্লিসে। পোক্লা পুমঙৌ ঙৌরদি দুকান অমা চঙদুনা মোবাইল ফোন হংবদা নীংথি নুংঙাইনা খুম্বীদ্রে। অহলনি হায়দুনা ঙারি লৈবদফাও লৈবা লাকপশিংনা ব্যবহার তৌবীদ্রে। চৎলু চৎলুবা মফমদা ইন্থি নুংঙাইনা লোয়নবীরক্ত্রে, অদুনা পোক শঙবা নত্তনা গতি লৈতে।

মী অতৈ অতৈগীদি খঙজদ্রে, ঐগী ইফমদদি পোক হৌবগী মরম অসি চপ চানা চুম্মে, টোটি ঈশিং ফংদ্রে, লম্বী নুংঙাইত্রে, পোৎ চৈ তাঙবা য়াবা তাঙখৎলে, তোলোপ হেনগৎপিদ্রে, প্রমোসন কাহনবীদ্রে, মৈ ঙাইহাক লৈতনা মুৎলে, চেঙ শুনা ফংদ্রে, হার মতম চানা ফংদ্রে, ঙাইহাক লৈতনা বন্দ তৌখ্রে, কোরোনাগী মহীক থোরক্লে, বার্দফ্লু, প্লেগ, দেঙ্গি লায়না ময়াম, হায়না তানবা য়াদ্রবা ইচা ইশু মশানা তানা পোক হৌবা তাবনি। ঐনা ফনা হৌজরোই হায়রসু হৌবা তাবনি, কারবা থম্মোয়গী তাঙ্গোয় অঙৌবা ওইনা লৱাই লেম্ফুদা পোক ওইনা শাফোঙলকপনি। থৱায় নুংঙাইফম ইরৈ লৈতে।

মতম অসিদা ঐনা টোটি ঈশিং থকপা ফংদ্রসু ফংলে হেক্তা হায়জিন্নবা ঙম্নরে। ঐনা থৱায় নুংঙাইত্রসু ঐ থৱায় নুংঙাইরে হায়না পাউচেদা হেক্তা হাপ্পকপা থেংনরে। খঙদে মতম অসি। পিশুমফাওবা পোক হৌবা হৌরক্লে। ৱা মখা শাংথনীংদে। খুরুমজরি। ●

# মণিপুর কনগদৌরিব্রা -৩

**নবকুমার ওইনা**

ইরাবত-ইরাবত, ইরাবত নীংশিংনবা পোক্লকপা মী কয়া য়াম্লবগে? মতৌ তম্বা ঙম্বনা কয়া, মতুং ইনবা ঙম্বনা কয়া, মশক মুন্না খঙবা ঙম্বনা কয়া য়াম্না লৈরে? ইরাবতকী ৱারীদা ঙাওনবা, মীতম লল্লোনবা মাল্লক্লিবা অসিনা মণিপুর কনবা ঙম্লগনি হায়বা কনানা হায়বগে? হান্নদি কোনুংনি হায়রিবা ময়ায়গী ৱাখলনা লৈবাক্কী থবক পাঙথোক্লম্মী, হৌজিক্লা মতায় অকোয়বগী ৱারেপ্পা ৱারেপ ওইনা থবক তৌবা তারক্লি। ৱারেপ লৈত্রি।

মণিপুরীশিংদি পংহায়দা হায়জিনগল্লি হায়বসি লাইনীংগা মরী লৈনবা ৱারী-লাইরিক, লাইশোল শোনবা, লাইগী ঈশৈ শকপা, ইপা ইপুগী ৱারী লিনরিবা ময়াম অসিদগী অদুম খঙবা ৱানি। লৈপুং ফম্বা, লম্বী লমহাংদা ঙাঙনবা, মীটিং ফম্বদা, পাউচেদা, লাইরিক ফোংনরিবশিং অসিদসু য়াওবা থেংনগনি। মচা-মশু পোকপা ঈপান থাবা, লুহোংবা, শোরাৎ শোনবদা লাইগী মমাংদফাও চিন থিবমখৈ য়ূম্নাক শাগৈ ফাওবা শেরান-তুরান হায়জিনবা চৎনরিবনি। অকোয়বগী চাম্মদা মরিফুতরা খায়দোকখ্রগা তরাগী মনুংদসু অমগুম্বগী কোনুংগা নক্লবা মফমসিগা তম্পাক্লি হায়রিবা লমদমসিগা অমুক মান্নবা নৎত্রি। পুয়ানি হায়রিবা লাইরিকশিংদসু হাপচিনবা ময়াম অমা য়াওরে হায়রিবনি। পূম্নমকসি শেংদোকপা ঙমদ্রিবা ঐখোয় মায়-মিৎ পাংদ্রিবা থাক অদুদা লৈরি হায়বনি। ইকায়বসু খঙদ্রিবনি, চীংমীশিংনা পূম্নমক খঙই ৱা ঙাঙদবগী ৱাতনি। ৱারৌনা শাওবসু মৈ হৌবা য়াওরিবনি, মখোয়দসু শোকপা য়াওরকপদগী। মণিপুর কন্নবা হোৎনবদা চীংমী য়াওদ্রবদি য়াগদ্রা? ব্রহ্মা সভা লৈরিব্রা, শাজৎ অদুদি লৈহৌরি, করম্বা অপূনবা মণিপুর অমা কনবা ঙমগদৌরিবা? অদুসু পংঙাঙ ঙাঙনবা মাল্লক্লি। ট্রাইবেল নত্তে হায়বসি চীংমীগা শম্নদে হায়বনি।

মৈতৈনা মৈতৈ কঞ্জনবা ৱা ঙাঙদ্রি, শৈরেং থিবগুম তানরি। ঙাঙবফাও ঙমজদনা থবক্তি কদায়দগী তৌরদগে? লাইশঙ খরা লিংলগা য়ারবা নত্তে, মণিপুরগীদি ঙাঙবা য়াওই, থবক য়াওই। লুরিবদি মতাং অদুদা মৈতৈ হায়রিবসি কনা কনা ওইরিবনো খঙজিল্লক্ত্রে, মীতৈনা কনানো খেন্নবা খঙলক্তে। পন্দিট শাবা খরনা মৈতৈ ওইনা পুন্দ্রিঙৈ, মঙাং লমদম, লুৱাং লমদম, মোইরাং লমদম, খুমন ওইনা লৈরিঙৈদু খঙদে, মেরা হৌ চোংবগী ৱাসু খঙদে হায়বা, মীতৈনি হায়বসু লৈরি। মৈতৈগা মান্নদ্রি, মৈতৈ নত্তে হায়রি। মীতৈ খায়দোকখ্রগা মণিপুরী জাতিনি হায়রিবশিং খায়দোকখ্রগা মৈতৈ ওইনা কয়া য়াম্বগে, মশীং থিদোক্ত্রিবরা? অদুগুম্বা মফম মরাং খঙদ্রবা লূপ অদুদা খুমন, মোইরাং অদুম য়াওফম থোকই হায়বনা কনানা হায়গদৌরিবনো? নুংঙাইরিবা অমনা য়েক তরেৎ পুল্লবা মতমদদি খঙই, খুমন-মোইরাং লৈবাক ওইনা লৈরিঙৈদি খঙদে, পুল্লবা মতুংদগীদি মৈতৈ কৌদ্রে, মীতৈদু ট্রাইবেল ওইদ্রে হায়বসু য়াওরক্লি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি তরামরিশুবা চহী চাগী মমাঙদা ট্রাইবেল ওইরগা মৈতৈ নৎত্রগা মীতৈ ওইনা পুনবদগীদি ট্রাইবেলগী থাক্তা লৈত্রে, য়াম্না চাওখৎলে, ফম্নাই তুনাইবা য়াওনা নিংথৌ পাল্লগা লাক্লে হায়বসিনি। য়াম্না ফজনা পাল্লে হায়রিবা মতমদুগী উক্রোং-ৱাক্রোংনা শাবা ওইরবসু, নূঙ পৈশিল্লগা শাবা অরিবা শঙবী-শঙনাও কদায়দা থেংনবা য়াওবগে? ট্রাইবেলগী, হায়রিবা চীংমীশিংগীদি শুরুং অরিবা লৈরি। চাওখৎলে হায়রিবা মীতৈগী হৌরকফম ওইবা উ-ৱাগী শঙ, শুরুং তোঙান্না লৈজব্রা? মৈতৈদি চীংমীগা পুল্লকই হায়বা খঙলক্লে। চেঙ চংবা খরা য়াওবসিদি জাৎ ওল্লকপা য়াওবগী ওইফম থোকই হায়বসিদি হুইনাও য়োকপা অঙাংনসু খঙগনি।

মৈতৈগী সোসল কন্সত্রক্সন মপুংবু ফাদ্রিবনি। ট্রাইবেল ময়ামসিগী চর্চ ওর্গনাইজেসন লৈরে, শারেল চন্দ্রে, লাই হরাওবা তৌদ্রে, হায়বদি মখোয়না হেন্না মোদর্ন ওইখ্রে। মৈতৈদি শারেল চল্লি, খয়োম লাক্লি, মাইবা-মাইবী লৈরি, লাইতোংবা থাজরি। চীংমীশিংদি মদু থাজদ্রবনি, ট্রাইবেলনি হায়রিবনি। খুমননি, মোইরাংনি, ককচীংনি হায়বশিংগী য়াম্না লিরবা লাইরিক য়াম্না লৈবা নত্তে, লোলসু মীতৈনি হায়বশিংগা মান্নবা নত্তে, ট্রাইবেল অদুম ওইগনি। মীতৈনি ট্রাইবেল নত্তে হায়বশিংগী পুৱারী কদায়দা শাগৎলি। খুমন, মোইরাং, মৈতৈ পুন্দ্রিঙৈদা লৈতবা, পুল্লবা মতুংদা পান্নাও-শীঙনাওদৌনা চোংলকপা য়াব্রা? মেরা হৌ চোংবগী ৱাসি য়াইঙংপোকপী, শাওম্বুংগী ৱারীসিতা নত্তে; খুমন্দা, মোইরাংদা চহীগী পান-মাইরেল পীনবা ইমুং মনুং মশীং খঙদনা লৈরম্লিবনি। কোনুংগী অমখক নীংশিংনবগী ৱাতনি। মীতৈশিংগীদি চীংমী মরী-মতা লৈজদব্রা, করিগীনো? ‘নঙগী পুয়াদুগী ৱা খঙদে ঐগী পুয়াদা চৎনসি’ হায়বসি ঐনসু অদুম হায়বা য়াবা ৱানি, মসি হায়নরিবমখৈ পুনবা য়াখিরোই। ময়েক অমা ঐগী পুয়াগা মান্নদে চৎনবা য়ারোই হায়বা য়াদে। কনাগুম্বগী পুয়াবু পাবা য়ানবা ময়েক শেম্বা নত্তে, ইশাগীনিনা মীগী মানবা ময়েক য়াওহন্দবগী ৱাতনি। বেঙ্গলিদা লৈরিবা লাইরিক ময়ামসি পাবা য়ানবা ময়েকসি অদুম চৎনখিসি হায়রকপদি কৈদৌবগে? ময়েকসি মৈতৈ ময়েক কৌরগা মৈতৈ হিংলদৌবসু নত্তে। মৈতৈ য়াওদবা মণিপুর অমা হিংগনি থাজবা ঙম্নরোই, মৈতৈদি মুৎশিল্লক্লি। মৈতৈ মুৎলগা মণিপুরী জাৎ ওইনা হিংবা ঙমগনি খনবা মীওই লৈরিব্রা? মীতৈনা পাম্বসি মণিপুর অসিরা, মী কাঙলূপ অমা শাগৎপা পাম্বরা, মণিপুরী কৌরিবনা করিগীনো, করি জাৎ ওইবা পাম্বনো? মশাদা লাইখায় তানা খল্লগা থবক তৌবা মাল্লক্তবা ময়াম মরকসিদা য়েৎনবা অমা শাগৎলিবগীনা মাগী মাগী থাজবশিং অসি কনবা ঙমগনি, মণিপুর মুনবা ঙমগনি, কনবা ঙম্লগনি খল্লগা তৌবসু ওইদবা য়ারি। অনীংবা অমদা পংতৌ তৌরুবা ওইরবদি লমদমসি মচেৎ মচেৎ থুগাইবনি, কন্নবা নত্তে। ফুরুপ খুদিংমক্লা থুগায়নবা শীল্লিবা মাল্লক্লি। কাঙলূপ শেম্নরিবসিগী ৱারেপ অমদা লৈবসু মাল্লক্তে, মীওই অমমম্না মাগী মাগী অনীংবদু কাঙলূপ-কাঙলূপকী অপাম্বা ওইনা ঙাঙনবসু মাল্লক্লি। মৈতৈগী, মীতৈগী, মণিপুরী (জাৎকী) গী হায়বা হোংবা য়াররোইদবা লৈঙাক খঙনা লেপ্পবা ৱারেপ করিবু লৈরবগে? মৈতৈগা মীতৈগা চায়নবা মাল্লক্লি, কনানা করি হায়রি খঙনরে। মৈতৈনি হায়জিল্লিবা খুমন, মোইরাং তোক্লিংলকপা তাবনি। লৈমিন্নরিবা কোমনা, কবুইনা কোম ওইনা, কবুই ওইনা লৈবা তারবদি খুমনসু মোইরাংসু খুমন ওইনা, মোইরাং ওইনা লৈবা তারকপদুনি। লৈবাক ওইনসু লৈরম্লিবনি, পুৱারীদা য়াওরিবনি। ৱাফম অমা লৈবাক থুগায়নবা হায়বা নত্তে, থুগায়ররিবদি মৈতৈ নৎত্রগা মীতৈনি হায়না মুক্লরিবশিং অসিননি হায়বদুনি। মরকসিদা মণিপুরী জাতি হায়বা অমসু পন্নরক্লিবসিসু মণিপুর কন্নবা নত্তে, থুগায়নবনি মখোয়না নাগা পোকহনবা তারক্কদৌরি। চীংমীদি লৈহৌমীনি হায়রে (লোইনমক নৎত্রবসু), মীতৈদি ‘মী অতৈ’ হায়না ৱাহন্থোক পীবসু য়াওরক্লি। মিংথোন্দা ঙাওবশিংদি কুইর-কুইরগা লৈবাক থুগায়বা তারক্কদৌরি। মখোয় মখোয়না মণিপুর কনবা য়াওবা হায়বসি মণিপুরসি মখোয়গী কাঙলূপ ওইনা লৌগে হায়বগা মান্নরক্লি। চীংমীশিংনা ৱা ঙাঙদনা থুন ওনশিল্লকপনি, শাওবা য়াবা নত্তে। ইশা ইশা হান্না শেংদোক্লবা অমা চঙলি।

লৈবাক নুংশিবদা লৈবাক মচা তাবা অমসু চঙলি, ওইজবা থিবা নৎত্রগা মচা তাদবা থবক্তু য়ানরক্লোই, ইখঙ খঙনরক্কনি হায়বদুনি। লৈবাক অমগী মমিং মথাদগী লৈঙাক ফাওবা মুন্নবসি কান্নবা নত্তে। মীংচৎ পাম্বগী পংতৌ তৌশিনবা য়াওরবসু লৈবাক কন্নবনি হায়বা য়াফম থোক্তে। অশেংবদি লান তাশিল্লকপনি, নিংথৌবু হু পীজরগা হাৎলগা লৈবাক অমা লৌশিনগনি হায়বদু য়াগদৌবা মতম নৎত্রে, থেম্লগা মমিং কোয়হোং হোংবা লাল্লে হায়বনি। খোয়দৌদা লাংহিক চিকপবু মঙফমগী ফুরা শাজিনগদৌবা নত্তে, লৈরোল অহুম তৌথোক্লগা ফুক্তোক্কদৌবা অমনি। খোয়দৌ পায়রবদি খোয়জি পাল্লকপা তারকপনি। পুৱারীদা য়াখি হায়বদি মরী লৈনদে, ঙরাং হুবা য়াখিবগী ঙসিসু হুবদা য়াগদৌবনি হায়বা লৈতে, য়ারোই। য়াগদৌবনা য়ারে, য়ারোইদবনা য়াদে হায়বসিদগী লৈবাক কনবা হৌগদৌরিবনি। ৱারেপ্তা য়েৎনরিবা হায়বসি থবক হৌদ্রি হায়বনি। ৱারেপ লৌবা ঙমদ্রিবগীনি।

য়েৎনরিবসি ময়োন্দনি, থুগায়রিবসু ময়োন্দনি, মুন্নরিবসু ময়োন্দনি, থবক হৈত্রিবসু ময়োন্দনি, থবক তৌদ্রিবসু ময়োন্দা ওইফম থোক্লকপদুনি। চীংনা কোয়বনা মায়ওন চুম্লকপদদি খাম্বা ঙমগদৌবসু লৈরোইদৌরিবনি, পুল্লবা মতমদদি কনবিয়ুসু হায়ররোই। তেগদৌবশিংদি নতেফমদা তেবনা ফরে হায়রবনি। থৌদাংদি খঙদনা কনানা কনগনি। কনগদৌরিববু করিনো খঙলব্রা? ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।